# তখেল লৈরাং তখেল্লৈ

— লোংজম অরুন —



*অরিবা* লাইরিকশিংদা লৈরম্লিবশিংসি উরুবদা অমসুং পারুবদা ঐখোয়গী থম্মোয়দা চাউথোকচনিংঙাই ওই। লৈবাক অমগী নৎত্রগা কাঙলুপ অমগী চাওখৎপগী শক্তম অমা উথোকপা ঙম্মী। মসি কাঙলুপ অদুগী লৈরম্লিবা ইনাৎতা ফংবা নত্তনদি ওইথোক্লোই। মসিনা কাঙলুপ অমবু মশক তাকপদা তুং কোইনা লৈহৌনবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি।

মদুনা নুপী ওইবীশিংগী থম্মোয়গা খ্বাইদগী নক্লবা লোন্দিন্নজবা অমত্তং পনবা তারবদি লৈরাংনি হায়না শৈথাজগে। অদুনবু অশৈবশিংনা লৈরাংনা ফুগাইনা শাৎপবু শিংঙেলনা নাচোম শেম্ববু নুপীজা ওইবীশিংনা অমত্তা ওইনা শৈথানরক্লিবনি। নাপ্পদা থেৎনবা, পামুবনা কলক্লবা, থেৎপা নাচোমদগী হৌরগা শল্লাংলক্তা থেৎনবা শমজিরৈ লোইননা মোলাংখাদা লোৎতুনা থমজবা লৈরাং নাচোম কয়াগী ৱারী শিংবুল ঙসিগী মীরোলনা শৈথানরি অমদি নীংশিংনরি।

কংলৈ ইরমদম অসিগী নহা অহল খায়দনা চিন্নবা লৈশিংগী মরক্তা তখেল লৈরাং তখেল্লৈ হায়বসিসু অমনি। লৈরাং মাগী হৌরকফম খঙননবা হায়দুনা লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংদুনা তখেল্লৈ কৌবিরম্মী। মীতৈনা তখেল হায়রগা ঙসিগী 'ত্রিপুরা' অসিবু ঙল্লিঙৈগী মতমদগী পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদগী খঙনদুনা লাকই। তখেল লৈবাক্তগী পুরকপা লৈরাং চারানি খঙহৌনবা তখেল-লৈ হায়না মীঙ্ঙৌনখিবনি। সাইনি টফিকেল্লিগী মিংদা তখেল লৈবু *'Hedychium coronarium'* হায়না খঙনৈ অদুগা অয়াম্বনদি *'Butterfly ginger Lily'* হায়না কৌনৈ।

মীতৈ ইপা ইপুশিংনা লৈ ঙাক্তগী ওইবা হৌরকফম শাৎলকফম লৈগী মমিং লৈশক লৈচু মনম মহাও পূম্নমক য়াওরবা খূৎই লাইরিক লৈরোন পুয়া হায়না মিংথোনবা লাইরিক্তা শৈথারম্বদি *-নয়ুৱা চীংখোঙ পোইরৈতোন্না মৈতৈলৈমা লৈনাওতাবী অনীনা শিদ-নাদবা মফম কোয়না থিরকপদা মখোয়গী য়ৈনা পুং কৌরম্বদগী তখেল পুংকাও লমও কৌই। লৈরোল তেংথাদা ইরিবনা নপুবোক চীঙখোঙ পোইরৈতোন্না মালেমগী নাদবা মফম, চীংমীগী সিদবা মফম লৈবরা হায়না মমানা পোকপদগী লোয়নরক্লবা ময়া থৌবা মচিন তুম্বা য়োৎকী চৈশু তুম্বমখৈ থিরকপদা মাগী য়ৈনবা পুঙবু কাওরল্লে। অদুদগী মফমসিবু তখেন পুঙকাও লমও হায়না কৌই। তখেল ময়াংগী পুঙকাও লমদা শাৎপা লৈ সীঙেল মনাদি তাগী মচিন মানবা। লৈরাং মপালনা সনাগী লৈতেং মানবা লৈ, থোংনাং তখেল লৈ। লানফমদা মমিং লৈরবা নাকাচোম অথৌববু ফানবা লৈনি। লৈরাংসিনা লৈকায়গী ইংখোলনুংদা মনা লেকলে, লৈপাক ফারে।* অসুম্না য়াম্না কুইরবা মতমদগী লৈরাং অসি কংলৈ লমদমসিদা লৈশাৎ তমদুনা লাক্লে হায়বা তাক্লি।

অতোপ্পা ৱারী অমনা, মোইরাং লমদমদা মতৌ করম তৌনা লৈরাং অসিবু শাফোংখিবগে হায়বগী মতাংনি। ইনিংথৌ বোধচন্দ্রগী (১৯৪১-৫১) মতমদা খোংজোম পর্ব্ব শকপগী শৈশকপা অমা ওইনা হৌরকখিবা ৱাঙুদগী ওজা অমোম খোঙনাংনা খোংজোম পর্ব্বদা অসুম্না শৈথারম্মী। চুম্নগী ঈশৈগী শৈথাদা অশৈবশিংনা খেন্ননা শকপা অমসুং পুয়াদা লৈবা শৈরোলশিংগী ৱাহে-ৱাতা, পরিং মান্নবা, খেন্নবা অসিনা ইনাৎকী পুক্কৈদা, পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা, ঈশৈ ৱারীশিং অসিনা মফম মতমগী চাওখৎলকপা অমসুং মশা শন্দোরকপগী খুদম তাকই।

শৈশক্লম্বনা লমদম অসিগী মতিক চাওরবা খোংজোম পর্ব্ব শৈশকপা ওজা অমোম খোঙনাংগী শৈশক্তা। ওজা অসিনা লৈমা নিংথৌগী মমাঙদা শৈথারম্বদা ঃ *মীতৈ নিংথৌ খুবোম্বা (খৃঃ ১২৬৩-১২৭৮) দা মচানুপী ৱাঙল্লোনবু মোইরাং নিংথৌ লোইজাম্বদা থাজরম্মী। অসুম্না মোইরাং লৈবাক্কী লৈমরেন ওইখ্রবা মতমদা মীতৈ নিংথৌ খুবোম্বনা তরেৎ তরা থোক্লা সনা ৱাখল তৌরগা নাইতোম পোকচবী মচা নিঙোলগী পূক্লিংনা পামজবা অমতংগা পীরগে খন্দুনা, তরেৎ সেন্না লৈদনা মোইরাং লৈপাক্তা কৈথেল অমা শেম্লগা মদুদা মচানুপী ৱাঙল্লোলগা উনগে পূক্লিং লুপখরে। অসুম্না কেগে মোইরাং পূন্না কৈথেল শেম্বা লোইখরে। হয়েং ইনুং ঙাল্লগা সনা কৈথেল য়েংগনি। কেগে শঙাইতু খোংয়াংবনা কেগে পাউজেল লোইখরে। মোইরাং পাউজেল থুংখরে। তখেল সনামনিক লল্লোনবনা সনা লীকোন পুদুনা মণিপুর সনা লৈবাক্তা য়ৌরক্লে। মোইরাং লৈবাক্কী মতাও কাইনা য়ূমখৈ তানবগী য়ূমদা থুংঙি। পাথৌ কাইনা য়ূমখৈ তানবা ও, কেগেনা ইরাং লাং মোইরাং ইনিল লৈবা সিবু কৈদৌরবগে হংলকই। য়ূমখৈ তানবনা খুম্মী, পাথৌ তখেল সনামনিক লল্লোনবা, মীতৈ নিংথৌ লাইরেল খুমবোংবগী মচা ইবেম্মা ৱাংঙমলোল চনু মোইরাং নিংথৌদা থাজৈ। মপা ইবুংঙোনা মোইরাংদা লম লৈদুনা সনা কৈথেল শেমলে। হয়েং কৈথেল হোংগদৌরি। অদুগী কেগে ইরাং লাংবনি, মোইরাং ইনিল নিনবনি।*

*ৱা অসি তাবদা তখেল সনামনিক লল্লোনবনা খল্লি, ঐনা তখেল লৈবাক্তগী পুরকপা লৈ অসি লৈমরেল ফমথোল কাবি ইবেম্মদা কৎলগে। কেগে ইনুং ঙাল্লে। মোইরাং লোইয়া হেনলে। মোইরাং লৈবাক্কী মীয়াম পূম্নমক কৈথেল হোংবা য়েংলুসি। লৈবাক মীয়াম তিনখ্রে।*

*মোইরাং লৈমা ইবেম্মা মহারানিনা লাখোং শাদি লুৱাংবা শামু পিসিন্দ্রাই লমকেৎপা, মপু মোইরাং নিংথৌগী খুনেৎ শামু য়াইশগী সয়াং থক্তা, সনরুপ তাইবোৎ হাপ্পী। শামু তাইবোৎ মথক্তা, মোইরাং লৈমা মহারানি ইবেম্মনা শক্লা চাবা চরৈ নমখাং ইন্দুনা লুপা ক্বাগোক মনুংদা তরেৎকী শেঙ্গা পায়দুনা মালেম থক্তা চাইরকপা, শেনজানা পুমঙৌ ঙৌবনা ৱারক্তা কুনদো শাৎকুম্মী। য়েংবদা কুম্মৈ ওইনরে। তখেল সনামনিক ললোনবনা, চরৈ ফীবু ঙক্তা হুক। নহান নোং তখেল লৈবাক্তগী পুরকপা লৈরাংদো চামলৌ লানা য়োমজরে। মবেম্মগী খুয়াদা লৈরাং অমত্তা কৎচগে অশোয় অরান পূম্নমকপু ঙাকপীগনি ননাইবু হংগৎলি। হা ইপু নঙদি কনানো? ইবেম্মা ননাই ইপুদি, তখেল মপুঙয়াই, শিলোৎ মরাংয়াইদগী লাকপনি, ননাইগী ইমিংনা, তখেল সনামনিক লায়রবা হায়না কৌইদো। মোইরাং লৈমনা ইপু লায়রবগী শিঙেল লৈরাংদো খুৎথেংননা লৌবিরে। লাংগোইথক্তা চামলৌ লায়োম হাইদোকলে। শিংঙেল মাবু য়েংবদি, করি ওইবগী মনিংথিনো? হা ইপু লৈরাঙ কোলোই করি কৌবগে তাকপিয়ুদা। ইবেম্মা ননাই ইপুনা তখেল লৈবাক্তগী পুরকপা লৈনি। অদুবু, ইবেম্মনা শিঙেল কোলোই থোনবীয়ু হংগৎলবদা। কেগে মোইরাং লৈমা-ইবেম্মনা লৈরাং মাবু থাঙ্গৎলগা, কেগে লৈবাক্কী ইমা ইন্দোল পূম্নমক তাবিয়ু, য়েংবীয়ু শিংঙেল লৈরাং অসিগী মউ তাবদি পাখংগী শনহোই লীচৈ মানবা লৈ, লৈরাংগী মনা য়েংবদি কাওরেন শনগী শনলৈ মাল্লিদো, লৈরাং মানা পোম্লগা মোনুগী খুবী খুনাউ মানবা লৈ। লৈরাংনা ফুগাইনা শাৎলগা অচৌবা লুপা পথাপ মানবা লৈ। শিংঙেল নাওৱা মখোয়রেল লৈরাংগী কোলোই মমিং ইঙা কুমদম-লৈ, ইঙেল কুমখাই-লৈ ইপু তখেল শুজা লায়রবনা তখেল লৈবাক্তগী পুরকই হায়দুনা তখেলগী মীংথাং লৌদুনা ইঙা নোংদমলৈ, লোইদাম নৱা তখেল লৈ হায়না কোলোইখি। মতৌ অসুম্না তখেল-লৈ মীংথোনখি।*

লাইরিক মতেক অসিদা কৈথেল শেমগৎপা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা থৌরাং অমা ওইনা লৌনরম্মী হায়বসি ময়েক শেংনা তাকই। মসিগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক নিংথৌ, লৈমরেনবীনচিংবা লৈমশিং, অঙম-অথৌ য়াওনা লৈবাক মীয়াম হুপ্না কৈথেল হোঙবগী থৌরম চাউনা পাঙথোক্লরম্মী হায়বসি ময়েক লানা উৎলি। মসিনা লৌউ-শিংউবা, শা-ষণ লোইবা অমসুং খূৎ-শা হৈবগী থবক্লা শেম্মীৎলোনগী মপূং ওইবা শিনফম ওইজরবসু লল্লোন-ইতিক্কী থবকসু ফজনা চৎথরম্বগী খুদম তাকই। মপান লৈবাক্লা লল্লোন-ইতিক তৌনরম্মী হায়বসি তখেল সনা-মনিক লল্লোনবা লাকপগী ৱাফম অসিনা তাক্লি। পোৎকা পোৎকা শিন্নবগী মওং লৈজরবসু শেন ময়েকসু শীজিন্নরম্মী হায়বসি কৈথেল হোঙবগী থৌরমদা শেল ময়েক চাইবসিনা তাকই। য়াম্না তাঙনা শীজিন্নবা পোৎ ওইবনা শেম্মিৎলোনগী মরু ওইবা শরুক অমা ওইরিবা কৈথেল হোঙবগী থৌরমদা চাকহোঙ-ঙাহোঙবা অমদি নুংঙাই মরাং কায়বা লৈবাক অমা ওইনবগী ৱাখল্লোনগা মরী লৈনরম্বসু য়াই।

মণিপুরগী অহানবা খোঙজোম পর্ব্বগী শৈশকপী নামৈরাকপম ওংবী ইমা ইবেনীনা লৈরাং তখেল্লৈবু অসুম্না শৈথারম্মী-

*লৈরাং লৈনা য়েংলগা নিংঙোল ওইবী মখূৎশু ফীশা তেমলাং মানবা লৈ। অয়ূক য়েন্দা অঙনবা লিক্লা লোকয়িন ওইদুনা শিংঙেন পোমশাৎনবা লৈ। নুমিদাংৱাইরম মতমদা য়োইময়াই অঙানবা লীৱা লীশুম তোন্না হুই, নানন্দ লীগুম খোই খোইনা অঙান্না নেম-নেম কুম্বদা, শিংঙেন ফুগাইনা শাৎপা লৈ উরাংমৈ নহা খ্বাংনৌবা খোইমু মপাও ঙাইবা লৈ, মৌগী লোন্না চীল্লগা মথং লেনবু কাওবা লৈ, মীরম ৱাখল খন্ন লৈ। পম্থৌগী লেঙ্গা ওইবশিংনা নাপ উরিশোক অঙৌবা চুবা লৈ ওইবশিং শিংঙেন মাবু চীল্লগা নৱা ৱাখল খন্নলৈ। হা লৈরাং কনানো শিংঙেন নাওবা মখোইরেন লৈরাং কোলোই মমিংদি তখেল মীরৈপুংদগী শিংঙেন মাবু পুরকই। মপারী মুবা লমজিং পুরেন্না লৈরাং তখেল্লৈ মীংথোল্লে।*

তশেংবমকসু তখেল লৈ হায়বসি মথন্তনা মপূং ফাজরবা মহৌশাগী লাইরেম্বীগী খুদোলনি, য়াম্না নৌরগা থোৎপা অমগা লোয়নবা অঙৌবা মচুনা মাগী লৈতেংনি। লোয়ননা মেংনা নুংশিনা পূক্লিং ৱাখলবু চিংশিনবা লৈনম্না মীওইবা খুদিংমকপু কোনশিনবা ঙম্বা অতাংবা লৈনি। লৈ-পানদগী লৈরাং অমতং হেক্লগা নাপ্পদা চিনবদা অদুম মপূঙ ফাই। অহুম মরি হেক্লগা শমজিগী নাচোম ওইবদসু য়েংবদা ফজৈ। কনা কনাগুম্বনা ফমুংদা মোন ময়াদা থম্বা মতমদা মহৌশা লাইরেম্বীনা ইনাক্তা ফম্লবগুম্বনি, মাগী নুংশিরবা লৈনম্না অৱা অনা, লৈত-লায়রগী ৱাখলদগী তপ্পা তপ্পা মপু মহাক্কী ওইবা মায়কৈদা য়াম্না লায়না পুশিনবিবা লৈ মখল অমনি তখেল্লৈ। অয়ূক্কী লিক্লা মরক্তা পোমশাৎনবনা নুংশারকপদা লেকথবা অমদি নুমিৎ তারকপদা ফুগাইনা শাৎপা লৈনি। লৈশাবীশিংনা চিনবা মতমদা ফজবা শক্তি মতিক ময়াই হাপকৎলি, মৌগী শীংদা চল্লবীশিংনা চিনবা মতমদা মপুরোইবশিংবু কাউথোকই। মরম অসি লৈবনা ঙসি ফাওবদা লেপ্পা লৈতনা শ্রীশ্রী গোবিন্দগী খুয়াদা লাইনীংবা লাইনীংবী কয়ানা তখেল্লৈবু অথোইবা লৈরাং ওইনা কৎচদুনা লাক্লিবনি। করি অমুক হায়রুগনি মীতৈ লাই হরাউবা লাইফম খুদিংদা মচা মনাই ওইরবী নুপীশিংনা জগোয়গী খূৎথেক কৎপদা নাপ্পগী নাচোম ওইনা তখেল্লৈদি য়াওদুনতা লাকই। লৈ-লাংবদসু চিৎথবা লৈতে।

ঙল্লিঙৈ মতমদগী তখেল্লৈবু নাচোম শেম্লগা অহল নহা পাখং লৈশাবী অমদি মৌশিংনা মফম মতম য়েংদুনা নীংথিনা শীজিন্নরকই। হায়নবসু লৈ মদুদি লৈগী নাচোম অমনা থম্মোয়গী অনিংবা অপাম্বা কয়া ইঙ্গিৎ ওইনা পাখং লৈশাবীশিংনা ফোঙদোক্লরম্মী। মীতৈশিংনা চহী অমগী মনুংদা পাঙথোক্লিবা তোঙান তোঙানবা হরাউ কুম্মৈ, ঈরাৎ থৌনি কয়াদা লৈরাং অসি তোঙান-তোঙানবা চেংহি মচল শেম্লগা চেংহি শম্বাল লাংলবা মতুংদা শীজিন্নরি। নাচোম ওইনা লৈরাং জাতিকুপ্পিগা, চিগোংলৈগা, শংব্রৈ মনাগা পুনশিনবনা তোপ-তোপ্পা নুংশিবা লৈনম অমদি লৈগী লমচৎ মশক্লচিংবদা খুদম কয়া খঙনদুনা নুংশিবগী মপাউ খঙনরম্মী। মীওইববু লায়না পূক্লিং হুরিবনি। কনাগুম্বা নুজা অমনা চিংহি শম্বাল লাংলবা মতুং নাদা নাচোম থেৎলবী অমগী মনাক্তা তম্বা নিপা কনানো ফম্বা ঙমগদৌরিবা। তৌবতবু নাচোম অদু তখেল লৈদা তাংজরগা নাচোম শেম্বনি।

মতাংসিদা ফজবা অমদি অনৌবা নুংশিবা লৈনম চেনবা লৈরাং কয়া নহা-অহল, নুপী-নিপা খায়দনা চিন্নরম্মী হায়বগী খুদম ওইবা মতেক অমদা,

*নুরা লোন্না চিল্লগা*
*চেংলৌ মতেং পাংবা লৈ*
*মৌগী লোন্না চিল্লগা*
*মথংলেনবু কাউবা লৈ*
*মীরম ৱাখল খন্ন লৈ*
*পম্থৌগী লেঙ্গা ওইবশিং*
*নাপ উরিশেক অঙৌবা*
*চুবা লৈ ওইবশিং*
*নৱা ৱাখল খন্নলৈ।* (লমায় ৯৬) লৈরোল

পুৱারীগী মতাং খরদা, তখেল লৈবাক্কী মতিক মথৌনা লৈরবা নিংথৌশিংনা মণিপুরদা লান্দাদুনা লাম্থেংনখিবা থৌদোক ৱাথোক কয়া অমসু থেংনখিবা লৈখ্রে। মীতৈনসু লান্দাদুনা লমন খুম্নখিবা তাঙ্কক কয়া অমসু লৈখরে। হায়রিবসি থৱায় কয়াগী পোম্থানি। মায়থীবা মায়পাকখিবগী ৱারী অসি পুৱারীগী মচৎশিংনি। অদুবু ১৮ শুবা শতাব্দীনা লোইখিবদগী লৈবাক অনীগী নিংথৗ মচানুপী কয়া থাজনরদুনা অমত্তা ওইবগী লীপুন চেৎলকখি। ইমুং মনুং অমত্তা ওইবগী লিপুল থম্লকখিবনি।

পুৱারীনা পনবিরমদ্রবা তখেল লৈগী অচেৎপা মরীদি ঙসি ফাওবদা মীতৈশিংনা নোংমতসু তাথিখিবগী পাউরৌ থেংনখিদবা অদুনি। তখেল লৈবাক্লা লান শোক্লরবসু লৈরাং মাদি নাচোম শেম্লগা মীতৈগী চনু নিঙোল খুদিংমক্কী নাপ্পগী নাচোম ওইবতা নত্তনা শমজিগী নাচোম ওইনা লৈবাক তিনবদা লেন্নরিবা লৈরাংনি। ঙসি ফাওবদা মোলাংখাদা থমদুনা মীতৈ খুন্নাইনা চেৎনা থাগোন্নদুনা লাক্লি। মণিপুর অমসুং খা-নোংপোক এসিয়াগী লৈবাকশিংনা লৈগী মনম চেন্দ্রবা লৈদি লৈ নৎতে হায়না লৌনরকই। মনম নুংশিবা লৈগী মফম চাওনা কল্লম্মী। ঙসিদি মনম চেন্দ্রবসু লৈশক্তা ওইনা লৌনরে।

লমদমসিদা ফংবা লৈ মখল কয়াবু অনা লায়েংগী কাঙলোন্দা শীজিন্নদুনা লাকখি। হায়রিবা লৈ মখলশিং অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নবা মতমদা মহৌশাগী লৈজরক্লবা লাইশোন-তীলশোন কয়াগা শাগোন্নদুনা লাকই। ঈরাৎ থৌনিরোলগা লোয়ননা হিদাক্লোনগী মরমদা ইপা ইপুশিংনা মচাক কয়া থম্বীরম্মী। মসিদগী করি করম্বা লৈ করম্বা মখলগী অনাবা য়েংবদা শীজিন্নবা হায়বগী মতাংদা তখেল্লৈসু অমনি। তখেল্লৈনা ঈ হাথবা, ফিঙৌ চৎপা, ঈশিং পুকচৎপদা তখেল্লৈ মরুগা মিশ্রি নৎত্রগা চিনিগা ফুৎলগা গ্লাস অমমম অয়ূক অমসুং নুংথিলদা চাং নাইনা থকপদা ফৈ হায়রি। তখেল্লৈ অঙাংবা অমসুং মিশ্রি ফুৎপগী মহি ঈশিং য়াফম হৌবা মীনা থকপা ফৈ হয়না *ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্রগী মণিপুরদা ঈরাৎ থৌনিরোলগা লোয়নরকপা হিদাক্লোন* হায়বা লাইরিক অসিদা য়াওরি। মসিদসু নত্তনা লৈ মখল কয়াবু এঞ্জাং ওইনা শীজিন্নদুনা লাকই। তখেল্লৈ মরু, পুল্লৈ, লোক্লৈ, য়াইপল, য়াইঙং মপাল, শিং মপাল, কাংহু মপাল কয়া অসি পনবা য়াই। লৈরাং মাগী মতিক-ময়াই থাদুনা লোইবা নাইদে। মতমগী শৈশকপী চোংথাম কমলা (মণিপুরগী শক্লাইরবী শৈশকপী) না মাগী ঈশৈদা শৈথারি-

*ইতা, মাঞ্জ কাদা চৎলনি*
*ঐদি মাঞ্জ কাদা চৎলনি*
*ইতা উরীরৈ, ইতা তখেল্লৈ,*
*নখোয় ঐবু ৱারৌনু*
*লৈহৌরো চৎলগে।*

শৈশকপী অরাম্বম জমুনা (শক্লাইরবী শৈশকপীগী) না অসুম্না শৈশক্লি।

*হো হো খোইমু লমদনবা নঙবু*
*কিজৈ ঐদি কিজৈনে*
*তনৌরবী তখেল্লৈ নাচোম...*
নোংমাইথেম পহারিনা শৈথাবদা
ক) *নঙগী মায়থোং উরুবদা,*
... ... ... ... ... ... ... ...
*তখেল্লৈ নাচোম্না নাপ্পদা*
*চিনি চম্প্রানা শমজিদা*
*লৈরাংগী নীংথিবা শীংঙেলগী ফজবা*
*নুজা মপাল তাংজবীনি।*
খ) *নপাম লমদম থাদোক্তুনা*
... ... ... ... ... ... ... ...
*লুবাকনুংগী লাইধিবীদো কনানা লাঙ্গোনবীহৌনি*
*নিংঙোল কাগী অথেন-লৈরাং*
*কনানা লৈচনবীহৌনি।*
*মোলাংখাগী তখেল্লৈ নাচোম*
*অরেম্বদা কেমহৌরনি।*
... ... ... ... ... ... ... ... ॥

অঙনবা মতমগী মণিপুরদা মনিং তম্না পাল্লম্বা ফুরুপশিংগী মরক্তা লৈনরম্বা চারৌ মৌরৌনবগী অচেৎপা মরী অদু মরিক চুম্না তখেল্লৈ কৌবা লৈরাংনা পাউদম্লি। অসুম্না মণিপুরগী শৈশকপা কয়ানসু লৈরাং অসিবু ৱাংনা থাঙ্গৎপীরি। ঈশৈশিং অসিবু তাদবা খঙদবা মীওই অমফাওবা লমদমসিদা লৈতে। লমদমসিগী লৈচন ওইরিবা লাইবক ফরবী শীঙেল লৈরাং তখেল্লৈনি।

---

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## মণিপুরী নুপীগী থৌনা অমসুং নুপীলাল

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**মালেমগী** মফম অমত্তদা থেংনখিদবা নুপীগী ঈহৌ নুপীলাল ঐখোয়না নুমিৎ থানা লৈরিবমখৈ নীংশিংদুনা লৈগনি অমসুং মালেমগী মমাঙদা চাওথোকচফম ওইরিবনি। অহানবা নুপীলাল কুমজা ১৯০৪ দা সাহেবশিংগী মায়োক্তা হৌখিবনি। অনীশুবনা কুমজা ১৯৩৯ দা সাহেবশিংগী সাসনগী মায়োক্তা হৌখিবনি। অসিগুম্বা ঈহৌ অসি হৌনরুবা তৌদনা নুপীশিংগী ওইবা থৌনা লিংজেলনা মপুরোইবশিংগীদমক, মচাশিংগীদমক অমদি অৱা অনা তারবা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী য়েংদুনা হৌবা ঈহৌনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেট অমত্তদা অসিগুম্বা নুপীগী ঈহৌ অমত্তা লৈতে। ঈহৌ অসিনা কান্নবা কয়া পুরকখ্রে। মচাশিংগী, মপুরোইবা কয়াগী ফংফম থোকপা হক কয়া ফংখ্রে। হৌজিক হৌজিকসু লমদম অসিগী ইমুং কয়াদা কংলৈপাক্কী নুপীশিংনা মখূৎতা মৈরা পায়দুনা ইরমদম অসিগী শোত্থরবা কয়াগী হনবা লৈতনা শিবা ফাওবা কিদনা হৌরিবা ঈহৌনি। অসিগুম্বা ঈহৌ অসিমক হৌরমদ্রবদি হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভমসি ওইরস্লোই। হৌজিক হৌজিক্কী ওইরিবা ইশ্যু অসিদসু মণিপুর নুপীগী থৌদাং য়াম্না চাওরিবনি। নুপীগী থৌদাংদি মনেম মকু, মচাগী, মপুরোইবগী সেবা তৌবা, ইমুংগী কুপনোম, চাক থোংবা, ফিশু-ফিজাম ময়াম অমা লৈরিবনি। য়ূম পানবদা নুপীগী থৌদাং য়াম্না চাওই। মখোয়গী থৌদাংবু ঐখোয়না তরাইনা লৌবা য়ারোই। মালেমদা ফাওখিবা নেপোলিয়ননা হায়রম্বা ৱাফম 'অফবা মমা অমা পীবিয়ু মালেম জয়' তৌগে। ৱাহৈ অসিমক নুপীবু অৱাংবা থাক্কী মগুণনি অদুনা ঐখোয়না নুপীবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎতুনা মখোয়গী পূক্লিং ঙল্লিবমখৈ থৌগৎপা ঙসি ঙসিমক তঙাইফদনা তৌদ্রবা য়াদ্রবা ইথৌনি হায়দুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপা খুদিংনা খঙবা মতম ওইরবনি।

ঐখোয়গী এসেমব্লিদা মীয়ামগী মীহুৎ ৬০ খল্লিবনি। মসিদা চীংগী ২০ তমগী ৪০ নি। ঐখোয়না ঐখোয় ঐখোয়গী কেন্দ্রদা নুপীগী মীহুৎ থাদোক্তুনা মখোয়বু লৈঙাক্তা য়াওহন্দুনা আইন শেম্বদা থৌদাং লৌহনবগী হৈনবী লৈতে। লোকেল মীখল ওইবা য়াই এসেমব্লি ইলেক্সন ওইবা য়াই নুপীদা খরা হেন্না খুদোংচাবা পীগদৌবনি। মসিদা মরুওই হায়না খল্লিবদি লৈবাক ঙাকপা হায়বসি য়ূম্বালোনগা চপ মান্নৈ। য়ূম পানবা মতমদা নুপীনা লৌরিবা থৌদাংদি শেল থুমগী মতাংদা লিক্লা শীজিন্নবা, মচা মশু শেম্বদা লৌরিবা থৌদাং পূম্নমক লৈঙাক্লোন্দা শীজিন্নরবদি অফবা খুন্নাই অমগী আশা তৌবা য়াই। অদুনা লম লম খুদিংদা নুপীবু শৌগৎপা অসি য়াম্না মরু ওই হায়না ঐখোয় লৌরসি। অমুকসু পরিক্ষা খুদিংদা নুপীনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তারকপনা অয়াম্বনি। অদুনা মণিপুরী নুপীগী থৌনা ঐখোয়না শিংথাদুনা লোইবা নাইরোই।


অমরোমদা লাইরিক লাইশু নীংথিনা হৈরবা লৈঙাক্লোন ফজনা খঙলবা হেন্না ফবা নুপী খুন্নাই অমগীদমক মখোয়বু ৱাখল তাহনবা, মখোয়দা আইনগী ওইবা ৱারী ৱাতাই কয়া শাবিদুনা আইন কয়া খঙহনবীরবদি য়াম্না হেন্না কান্নবা ফংগনি। নুপী খুদিংমক ৱাখল তারবদি থবক খুদিং মায় পাক্কনি। অদুদি নত্তনা মপান থোক্লগা খুন্নাই মাঙনবা তৌরকপা য়াবা, মশাগী মোরেল মাঙলকপা য়াবা কয়া কয়া থোক্লক্কদবদগী চেকশিনবা, মতম মতমগী ওইবা ৱাফম কয়া খন্নবসু কান্নগনি। অদুগা নুপীনা হৌরকপা ঈহৌদা লৈবাক্কী ইশ্যু, মৈরাগী ৱাহন্থোক মুন্না খঙনদুনা মৈরাদগী মৈবুন ওন্দনবা ঐখোয়গী নুপীশিংনা হোৎনফম থোকই। ঈহৌ অমা শাগৎপা মতমদা মাঙগদবা তোংগদবা মরমশিং কুপ্না খন্নবা, হৌগদবা ঈহৌসি লৈবাক্কী আইন্না য়াবা অদুগা ঐখোয়গী ফংফম থোকপা হকপু ফংনবা হোৎনবদা ঈহৌ হৌগদবনি। ঈহৌ হৌই হায়দুনসু মফম মরাং খঙদনা খুদক্কী ইখন খন্থদনা হেক্তা হৌরবদি ঈহৌনা অফবগী মহুৎ অমাঙবা কয়া লাকওই হায়নিংঙাই লৈতে। অদুনা ঐখোয়গী নুপীশিং হান্নগী লৈরম্লিবা থৌনা মিংচৎ অসিগী মথক্তা খরা হেন্না ফবা মওংদা ঈহৌ খুদিংমক খন্ন-নৈনদুনা থবক পাঙথোকপদা মালেমদা খরা হেন্না মীংচৎ লৈগনি। খুদম ওইনা শান্নবদা মণিপুরগী নুপীনা মালেমদা উৎখিবা থৌনাশিং মালেম পূম্বদা খঙনরিবনি। হীরমশিং অসিদা খ্বাইদগী মরু ওইনা চঙবা পোৎলমদি নুপীদা মহৈ মশিনগী থোইদোকপা খুদোংচাবা পীবা, মখোয়গী চাকথুং নুপাদগী নুপীনা খরা হেন্না খুদোংচাবা পীদুনা নুপী খুদিং অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিন হৈহনবনা খ্বাইদগী কান্নবা ওইগনি। অদুনা নুপীনা লৈবাক শেম্বনি। নুপা ময়াম অমনা নুপী য়াওদনা লৈবাক শেম্বা য়ারোই। অঙাং পোকপা মতমদা নুপা পোক্লগা হরাউবা নুপী পোক্লগনা নুংঙাইতবা অসি অরানবা ৱাখল্লোননি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা পুক্লুংদা লৈরিবা অঙাংবু মশক খঙদোক্লবা খূৎলাই পুথোক্তুনা নুপী ওইরগনা মাঙহনবা, নুপা ওইরগনা চেকশিন্না শেন্নবা অসিনচিংবা কয়াসি অরানবা লম্বীনি। খুন্নাই অমা শেম্বদা নুপী য়াওদ্রবদি মপূং ফাদে অদুনা নুপীবু লুনা তৌসি। নুপা অহুমগা নুপী অমগা পোকপদা নুপা অহুমদু লাইরিক তম্লবা হোৎনবদা নুপীদু মমা মপানা লাইথোকই মদু লৈঙাক্লা অমদি সিভিল সোসাইটিশিংনা থিদোক্তুনা মখোয়বু লেম্না মহৈ তমহন্নবা থৌশিল থম্বীগদবনি। অসিদতা নুপীগী থাক ৱাংখৎকনি। নুপীনসু মখোয়গী মওং খরনা ঈরাং হৌনবা, ক্রাইম কয়া থোকহন্নবা শিল্লোইদবনি। মালেমগী লাল খুদিংমক নুপীগী ৱাহৌদগী ওইখিবনি।

*অদোমগী- ময়াংলম্বম থম্বৌ সিংহ*
*সেক্রেটরি, ককচীং খুনৌ মখা হায়স্কুল*

---

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৭

১। কবি অশাংবম মীনকেতন করি লাইরিক্তা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফংখিবগে?
২। 'ফাদোক অমগী শৈরেং' কবি কনানা ইবনো?
৩। 'লৈরোল চনখ্রবা থাজবা' গী অইবীদু কনানো?
৪। 'দ গাইদ' মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১২, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।